## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিজন নাইন-২০১৬

# কিংস এলভেন পঞ্জাবনা গুজরাট লাইওন্স থোইখ্রে মুম্বাই ইন্দিয়ান্সসু মখোয়গী মেটচ মায় পাকখ্রে


আউট ওইদনা বোল ৬০ দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা মুম্বাই ইন্দিয়ান্দসপু মায় পাকহনখিবা রোহিট শর্ম্মা

রাজকোট /পুনে, মে ০১ ঃ চখরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি গুজরাটকী রাজকোট সহরদা শান্নখিবা ২৮ শুবা লীগ মেটচতা য়ুম্বু গুজরাট লাইওন্সপু কিংস এলভেন পঞ্জাবনা রন ২৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। অমরোমদা পুনে সহরদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা রাইজিং পুনে সুপরজাইন্টসপু মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

গুজরাট লাইওন্সনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা কিংস এলভেন পঞ্জাবগী মায়কৈদগী ওভর ২০ গী মঙাশুবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৫৪ লৌবা ঙমখি।

হৌরকপদা পঞ্জাবগী কেপ্টেন অমসুং ওপনরসু ওইরিবা মুরালি বিয়জ অমসুং মার্কস ষ্টোইনিসকী জুরানা য়াম্না ফজনা রন লৌবা ঙমদুনা ওভর অমদা রন ১০ গী চাংদা লৌখি। অদুবু মার্কস ৭ শুবা ওভরদা বোল ১৭ তা রন ২৭ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী পঞ্জাবগী ইন্নিংস অদু মচেৎ তারকখি।

মখা তারকপা বোল ১৩ মায়োক্নরকপদা কিংস এলভেন পঞ্জাবগী বেটসমেন ৩ শুপ্নগী রন ৮ খক লৌরগা আওট ওইখিবগী ফিভম অদু শোকখিবনি। কেপ্টেন বিয়জ অমসুং মিল্লরনা স্কোর অদু ১০০ য়ৌহল্লকখি। অদুবু বিয়জ বোল ৪১ দা রন ৫৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মখোয়গী ইন্নিংস মিল্লর অমসুং সাহনা পুখৎলম্বা অদুনা ১৫৪ য়ৌখিবনি।

গুজরাট লাইওন্সকী ইন্নিংস অদুবু পঞ্জাবগী মোহিট শর্ম্মনা মচেৎ তানা থুগাইখি। পটেলনা ৱিকেট ৪ অমসুং মোহিটনা ৱিকেট ৩ লৌখি। লাইওন্সকী মায়কৈদগী ফোক্নরনা রন ৩২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়ামখি। মখোয় রন ১৩১ দা লোইশিনখিবনি।

পুনেদা শান্নখিবা ২৯ শুবা লীগ মেটচতা মুম্বাই ইন্দিয়ান্দসনা রাইজিং পুনে সুপর জাইন্সপু ৱিকেট ৮ দা থোইবা ঙমখি।

মুম্বাই ইন্দিয়ান্দসকী কেপ্টেন বোল ৬০ দা রন ৮৫ লৌরগা আউট ওইদুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুনা মেটচ অদু মায় পাকপগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। টিম অদুনা দরকার ওইখিবা রন ১৬০ অদু লাম্হোক্নগা ওভর ১৯ গী অহুমশুবা বোলদা রন ১৬১ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৮ দা থোইখিবনি।

**Points Table**

| Team | M | W | L | Points | NRR |
|---|---|---|---|---|---|
| Gujarat Lions | 8 | 6 | 2 | 12 | -0.115 |
| Mumbai Indians | 9 | 5 | 4 | 10 | -0.009 |
| Delhi Daredevils | 6 | 4 | 2 | 8 | 0.441 |
| Kolkata Knight Riders | 7 | 4 | 3 | 8 | 0.322 |
| Sunrisers Hyderabad | 7 | 4 | 3 | 8 | 0.06 |
| Rising Pune Supergiants | 8 | 2 | 6 | 4 | 0.13 |
| Royal Challengers Bangalore | 6 | 2 | 4 | 4 | 0.065 |
| Kings XI Punjab | 7 | 2 | 5 | 4 | -0.811 |

# আর্চরি ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম্না সিলভর মেডল ১ ফংখ্রে


লাইশ্রম বোম্বেলা (ওই) না টিমমেট দিপিকা কুমারীনা কাপ্পা য়েংখিবা

সাঙহাই, মে ০১ ঃ চাইনাগী সহরদা লৈবা য়োনসেন ষ্টেদিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা আর্চরি ৱার্ল্ড কপকী অহানবা ষ্টেজগী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী নুপীগী রিকর্ব টিম্না ফাইনেলদা মায়থিহৌদুনা সিলভর মেডল অমা ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী রিকর্ব টিম অদুদা দিপিকা কুমারি, লাইশ্রম বোম্বেলা দেবী অমসুং লক্ষ্মীরানি মাজিনা ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী মখুত্তা সেট ২–৬ তা মায়থিহৌদুনা সিলভর মেডল অদু ফংখিবনি। টিম অনী চাংদম্নবদা চাইনিজ তাইপৈগী টিম অদু ইন্দিয়াগী টিম অদুদগী রেঙ্কিংদা হন্থনা লৈখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদদে ওইখিবনি। অদুগা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা চাইনিজ তাইপৈগী য়া তিং তান, চিয়েন য়িং লি অমসুং সি সিয়া লিন্না অহানবা সেট অনী মায় পাক্তুনা মাঙজিল থাখি। অদুবু ইন্দিয়াগী টিম অদুগী মায়কৈদগী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা সেট অদুদা য়াম্না ফজবা সোট তৌদুনা সেট ২–২ মান্নবা ঙমখি। অদুবু মখা তারকপা সেট ৪ দা চাইনিজ তাইপৈগী টিম অদুগী মায়কৈদগী ফজবা পার্ফোমেন্স কয়া লাকখিবা মরম্মা সেট মরিমক মখোয়না ইন্দিয়াগী টিম অদুদগী হেনখিদুনা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু ফাইনেল রাউন্দ অদু য়ৌশিল্লকপদা সেট ৬–২ দা থোইখিবনি।

নুপাগী রিকর্ব টিম্না ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রবসু ব্রোঞ্জ মেডলগী প্লে ওফতা ইংলন্দকী টিম্বু মায়থিবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি। অতানু দাস, জয়ন্ত তালুকদার অমসুং মঙ্গল সিংহ চাম্পিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা সিদদে টিম ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। মখোয়না ৯ শুবা সিদদে ওইখিবা ইংলন্দগী পেট্রিক হুষ্টন, লেরি গোদফ্রে অমসুং কৈরান স্লেটরবু সেট ৬–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

নাকল অমরোমদা মিক্স পিয়র কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী দিপিকা কুমারী অমসুং অতানু দাসনা সাউথ কোরিয়াগী জুরাবু য়াম্না নক্নবা লম্বাদা সেট ৫–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংবা ঙমখি।

# লৈকেষ্টর সিটি অমসুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ দ্রো চংখ্রে


লিভরপুলবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখিবা স্বান্সে সিটিগী এন্দ্রি (ময়ায়) না হেদ তৌদুনা পাঞ্জল চনখিবা

লন্দন, মে ০১ ঃ লন্দনদা ঙসি শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ৩৬ শুবা লীগ মেটচ অমদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা লৈকেষ্টর সিটি অমসুং ৫ শুবা পোজিসন্দা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকা দ্রো চংখ্রে।

লৈকেষ্টর সিটি অমসুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মেটচ দুগী অহানবা পাঞ্জল অদু য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী এন্থোনি মার্সিয়েলনা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনিট ৯ লৈরগা লীগকী লিদর ওইরিবা লৈকেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ৱেস মোর্গান্না ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা পাঞ্জল মান্ননা লৈখি।

অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লক্নবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। লোয়ননা মেটচকী অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৪৫ শান্নবা অদুদসু পাঞ্জল অহেনবা লৈখিদবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎখিবনি। সিটিনা পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৩৬ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৭৭ ফংদুনা অদুম্মক মাঙজিল থাদুনা চৎলি। টোটেনহাম হোটস্পরনা পোইন্ট ৬৯ দা অনীশুবদা লৈরি, আর্সনেলনা পোইন্ট ৬৭ তা অহুমশুবা অমদি মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং য়ুনাইটেদনা পোইন্ট ৬০ ফংলগা ৪ শুবা অমদি ৫শুবদা লৈরি।

## বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপস ২০১৬

# মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা নুপাগী অদুগা চাইনাগী ৱাং য়িহান্না নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে


এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী চেম্পিয়ন লি চোং ৱৈ অমসুং নুপীগী চেম্পিয়ন ৱাং য়িহান

ৱুহান, মে ০১ ঃ নুপাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান চাইনাগী চেন লোংবু মায়থিবা পীদুনা মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী টাইটল লৌখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা চাইনাগী শান্নরোই অনী শান্নবদা ৱাং য়িহান্না লি জুরোইবু থোইরগা টাইটল ফংখিবনি।

লি চোং ৱৈ অমসুং চেন লোংগী মেটচ অদু ফাইনেল মেটচ অমগী চপ চাবা শক্তম অদু উবা ফংখি। অহানবা গেম লি চোং ৱৈনা ২১–১৭ দা থোইরবা মতুং চেন লোংনা অনীশুবা গেম অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওং দা ২১–১৫ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা গেম ১–১ মান্নদুনা লাকখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা মালেসিয়াগী শান্নরোই লি চোং ৱৈনা লাকশিনবা হেল্লকপদগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান চেন লোংবু ২১–১৩ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লি চোং ৱৈনা লৌখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদদে ওইরিবী চাইনাগী লি জুরোইবু অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই ৱাং য়িহান্না গেম ২–১ দা থোইবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম ৱাং য়িহান্না ২১–১৪ দা থোইখি। অনীশুবা গেম লি জুরোইনা ২১–১৩ দা থোইদুনা গেম ১–১ মান্নদুনা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম শান্নরকখি।

অরোইবা গেমদা ৱাং য়িহান্না লি জুরোইবু পোইন্ট ৫ হেল্লগা ২১–১৬ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখিনি। নিংশিংবা য়াবদি চেম্পিয়ন ওইখ্রবী ৱাং য়িহান্না সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালবু থোইরম্বনি অদুগা লি জুরোইনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনবু থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা সাউথ কোরিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জুরা ওইরিবা লি য়োং দে অমসুং য়ু য়িয়োন সিওংনা চাইনাগী জুরা লি জুনহুন অমসুং লিয়ু য়ুচেনবু ২১–১৪, ২৮–২৬ তা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

পনবা য়াই সাউথ কোরিয়াগী জুরা অদুনা সেমি ফাইনেলদা জপানগী জুরা তাকেসি কুমুরা অমদি কৈগো সোনোদাবু থোইরম্বনি। অদুগা চাইনাগী জুরা অদুনা অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদদে জুরা চাইনাগী ফু হায়ফেঙ অমসুং ঝাং নানবু মায়থিবা পীখিবনি।

নুপীগী দবলসতা জপানগী জুরা অনী ফাইনেলদা লম্বা তৌনবদা নম্বর ৱান সিদদে মিসাকি মাটসুতোমো অমসুং অয়াকা তাকাহসিনা অতোপ্পা জপানগী জুরা নাউকো ফুকুমান অমসুং কুরুমি য়োনাওবু ২১–১৩, ২১–১৫ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা চাইনাগী টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর জুরা ওইখিবা ঝাং নান অমসুং ঝাও য়ুনলৈল্লনা ইন্দোনেসিয়াগী অনীশুবা সিদদে জুরা ওইখিবা ইন্দোনেসিয়াগী তোন্তোৱি অহমদ অমসুং লিলিয়ানা নাটসিরবু ১৬–২১, ২১–৯, ২১–১৭ দা থোইদুনা কাঙলুপ অদুগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

# আইজোল এফ সি না চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরুবু মায়থিবা পীখ্রে

আইজোল, মে ০১ ঃ মীজোরামগী সহর আইজোলদা লৈবা রজিব গান্ধি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ফেদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা ক্লব আইজোল এফ সি না আই লীগকী চেম্পিয়ন ওইরিবা ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সি বু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফজবা ঙমখ্রে।

ফেদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি আই লীগতা পোজিসন ৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা টিমশিংনা হোম এন্দ অৱে বেসিস্টা শান্নবনি। আইজোল এফ সি হন্দক্তা লোইশিনখিবা আই লীগতা ৮ শুবা পোজিসন তাখিবা মরক্না ফেদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা ঙমখিবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী অহৌবা পাঞ্জল অদু ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমদা মিদফিল্ডর অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবা বেঙ্গালুরুগী য়ুগেন্সন লিন্দোনা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্রবা মিনিট ৭ তমক ঙাইশিল্লক্লবদা য়ুম্বু আইজোল এফ সিগী অলফ্রেদ কেমানা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা লৈরকপা অদুনা শান্নবগী অপীবা মিনিট ৯০ য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনরক্তবনি। অদুবু অরোইবা মীৎকুপ অদুদা আইজোল এফ সি গী জোইল সন্দেনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেঙ্গালুরুবু মখোয়না পাঞ্জল ২–১ দা থোইখিবনি।

টিম অনী অসিনা মে ৩ দা বেঙ্গালুরুদা লৈবা কান্তিরভা ষ্টেদিয়মদা অনীশুবা লেগ শান্নগনি। ঙরাংগী মেটচ অদু লোইরবা মতুং পাউগী সভা অমদা বেঙ্গালুরুগী হেদ কোচ এস্লি ৱেষ্টবুদনা ফোঙদোকখিবদা মথংগী মেটচতা মখোয়গী মায়কৈদগী মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়খি।

# তিনতু লুকানা মিটর ৮০০ গী লমজেলদা গোল্ড লৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ০১ ঃ রিও ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী রেকোর্দ হোল্ডর অমসুং এসিয়ান চেম্পিয়নসু ওইরিবী তিনতু লুকানা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ফেদরেসন কপ এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

রেলৱেজগী মায়কৈদগী শরুক য়ারকখিবী তিনতু লুকানা মিটর ৮০০ গী লমজেল অদু ২ঃ০১.৮৪ দা চেন্দুনা মমাঙ চহীদা মহাক্না লৌখিবা টাইটল অদু অদুম্মক দিফেন্দ তৌবা ঙমবতা নত্তনা চহী ১৮ মমাঙদা জোতিরমোয়ি সিকদরনা থম্লম্বা ২ঃ০২.২৮ কী রেকোর্দ অদুসু থুগাইবা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা তামিল নাদুগী গোমতি মারিমুথুনা ২ঃ০৬.৪৫ দা ফংখি অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিপ্রা সরকারনা ২ঃ০৬.৯৫ তা ফংবা ঙমখি।

ঙরাং কম্পিটিসন অদুগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা নুমিৎতা রিও ওলেম্পিক্কীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ইভেন্ট অমত্তা য়াওখিদে। ইরাই নুমিৎতা সুদাস সিংহনা নুপীগী মিটর ৩০০০ গী ষ্টিপলচেজ কম্পিটিসনদা রিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবা অদুনা কম্পিটিসন অসিগী অমত্তা ঙাইরবা নিংশিংবা য়াবা পার্ফোমেন্স ওইখিবনি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com